# জেনিমসকী কেম্পসতা অমোৎ-অকায় লংথোকপদগী নমথীবা মনম্না লম্বী চৎপা য়াদ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ (ঐচ এন এস): অশোন-অনাবা কয়া পুখৎতুনা লায়েংলিবা পোরোম্পাৎকী জৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস) কী কেম্পস মনুংদা অমোৎ-অকায় ময়াম লংথোকপদগী নমথীরবা অপুম-অশাগী মনম্না লম্বী চৎপদা নাতোন মেন্নরে।

হোস্পিটাল অসিগী খা-নোংপোক থংবা জেনিমসকী ফোরেন্সিক সাইন্স চৎফমগী লম্বী নাকন্দা অমোৎ-অকায় ময়াম অমা পুশিন্দুনা হৈজিনবদগী নুংশা শারকপদা অমোৎপশিংগী অপুম-অশা মনম্না মনাক নকপদা লৈবা ওফিস অমদি লম্বী চৎপা মীওইশিংদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লহল্লে।

জেনিমস হোস্পিটালগী মহৈরোয় অমনা ফোঙদোরকপদা, হোস্পিটালগী কেম্পস মনুং হায়বসি তরূ-তনান্না, অশেংবা নুংশিৎ ফংনবা, অনাবশিংগী হকচাং তেকখৎহন্নবগীদমক উ-ৰা অমদি হৈপাল-লৈপালনচিংবা কয়া থাদুনা পূক্লিং ৰাখল নুংঙাইনবা শেমশানরিবনি। অদুবু মণিপুর লৈঙাক্কী অমত্তা ঙাইরবা পোরোম্পাৎকী জেনিমস হোস্পিটাল অসিদি অমোৎ-অকায়শিং কোম তৌরগা ফুমজিনবগী মহুৎতা খরা কুৎপা মফম অমদা অমোৎ-অকায় ময়াম গাড়ীদা পুরক্লগা হৈজিনবদগী নুংশা শারকপা মতমদা মদুগী নমথীবা অপুম-অশাগী মনম অদুনা লম্বী মতেক অদু ফাওদুনা চৎপদা নমথীবা মনম্না পুক মথক মখা ওন্নরে লোয়নবা নাতোন মেন্দুনা চৎনরে হায়রি।

অমোৎ-অকায় হৈজিনফম অসিগী অৱাংলোম থংবদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পিগী ওফিসসু লৈরিবনি। লোয়নবা মপা অদুমত্তুদা সন্ত্রি পোষ্ট অমসু লৈরিবনি। অদুবু নমথীবা মনম অদুনা ওফিসতা ফম্বদা ঙম্নদ্রে। লোয়নবা সন্ত্রি পোষ্ট অদুদা দ্যুটি তারবা পুলিস পার্সনেল অদুসু উপায় লৈতদুনা মাস্ক উপ্পুনা মথৌ তৌরি হায়রি।

মরম অদুনা হীরম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা জেনিমসকী ওথোরিটিনা হায়রিবা অমোৎ-অকায় পৈশিল্লিবা মফম অসি অথুবা মতমদা লৈবাক হৈদোক্তুনা কুপশিনবীনবা অমদি মহীক-মতাং শিনবা হীদাক্লচিংবা কাপথোকপীনবা জেনিমসকী ওথোরিটিগী মীৎয়েং চিংশিল্লক্লে।

## লম্বী শেম্বগী কোয়লাস তৌখাইরম্লগা থবক লোইশিল্লমদ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ (ঐচ এন এস): নেসনল হায়ৱে ১০২ গী ইম্ফাল-মোরে লম্বীগী থোংজু বোরোইমখোঙ মপাদা লম্বী নমথবদগী মরী লৈনবা ঠিকাদারনা নমথরিবা মফম অদু খোৎতোক্লগা নুঙচাক থাদুনা শেমল্লিম্লবা মতুংদা মখা তানা কোয়লাস থাবীরমদবদগী মীয়াম চত্থোক-চৎশিন তৌবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরে হায়রি।

হায়ৱে অসিগী মেদিয়নগী মমাঙ থংবা লম্বীগী শরুক্তা লম্বী মতেক খরা হান্না নমথবদগী মরী লৈনবা ঠিকাদারনা লম্বী অদু শেমজিনবীনবা মনাক নকপদা লৈবা লৈকায়গী মীওই খরনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরক্লি।

হায়রিবা লম্বী অসি মতম চানা ঠিকাদারনা শেমজিনহৌদবদগী হৌজিক্তি লম্বী অসি মীয়াম চত্থোক-চৎশিন তৌবদা অমদি অকুৎপা মফমদা গাড়ী থৌদরুবদা এক্সিদেন্ট তৌদুনা মীশি-মীনা ফাওবা থোকপা য়াওখ্রে হায়রি।

লম্বী অসিদা নুমিৎ খূদিংগী গাড়ী মশিং খঙদনা চৎনরিবনি। হায়রিবা অকুৎপা মফম অদু থৈদোক্তুনা চৎনবা হোৎনবদা মেদিয়নদা ৱাইশিনবা অমদি থৈদোক্লবা হোৎনবদা এক্সিদেন্ট থোকপা য়াওনরে। লম্বী মতেক অসি নমথখিবগী মরমদি হান্না মফম অসিদা ৱাটর সপ্লাইগী পাইপশিং মনুংদা লুনা ফুল্লিবা অদুদা পাইপ লিক ওইবদগী লৈবাক নমথরিবা অদুদা ঈশিং ফাওরকপদগী মদু শেমজিন্নবা মরী লৈনবা পি দব্লিয়ু দিগী মকোক থোংবা ওফিসলশিংনা অথুবা মতমদা লম্বী মতেক অসি কোয়লাস থাবীনবা আপিল তৌরক্লি।

মসিদা নত্তনা লম্বী অসিগী শিংজমৈ থোংখোং এরিয়াদসু মিটর ২০০ রোম শাংবা লম্বী মতেক অমা হায়ৱে মচিন ফাওবা কোয়লাস থাদনা থম্বদগী লম্বী অসিগী নাকন্দা পোৎফম ফল্লিবী ইমা-ইবেনশিংদা খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লে। মরম অদুনা লম্বী মতেক অসিসু অথুবা মতমদা কোয়লাস থাবীনবা মরী লৈনবা পি দব্লিয়ু দিগী ওফিসলশিংগী পূক্লিং চিংশিল্লক্লি।

## থিবা খঙদনা লৈরকখিবা ড্রাইভর থৌরি য়ান্দুনা শিরল্লে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ (ঐচ এন এস): ঠিকাদার অমগী য়ুমদা গাড়ী থৌদুনা লৈবা ড্রাইভর অমা থা অসিগী ৫ গী নুংথিল পুং ১ রোম তাবদা লিতান পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা মুরৈ খুলদগী কিলোমিটর ১ রোম চৎলগা লৈবা চীংগী নাপোম অমদা হৌবা উ পান্বী অমদা থৌরি য়ান্দুনা শিরল্লে হায়রি।

লৈখিদ্রবা ড্রাইভর অদুগী মমিংনা সুনিলকাফেলে (৩২) অপোকপা ধর্মানন্দন্দা কৌই। মহাক কংলাতোংবীদগী লাক্লগা হৌজিক্লা লিতান পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা য়াইঙংপোকপী মনাক্কী মুরৈ খুলদা লৈবনি। মহাক মুরৈ খুলদা লৈবা স্পেসল কন্ট্রেক্টর মার্টিন কৌবা অমগী য়ুমদা গাড়ী থৌদুনা লৈবনি হায়রি।

সুনিলকাফেলে থা অসিগী ৫ গী নুংথিল পুং ১ রোম তাবদা মহাক্না লৈরিবা য়ুমদগী থোকখিবদগী থিবা খঙদনা লৈরকপনি। থৌদোক অসিগী মতাংদা লিতান পুলিস ষ্টেসনদা মিসিং রিপোর্ট অমা পীখিবগা লোয়নবা মহাক্কী খোঙ্গুল লিদুনা ইমুং-মনুং অমদি পুলিসনা থিদুনা লাকখিবনি। ঙরাং অয়ুক মুরৈ খুলগী চীংদা খুলগী অহল খরনা শিং য়ানবা চৎলুবদা অশিবা হকচাং অদু থেংনরকপনি অমসুং পুলিসতা পাউ পীখি। মতুংদা অশিবা হকচাং অদু ঙরাং নুংথিল পুং ৪ রোম তাবদা পুলিস অমদি ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা মফম অদুদা চৎলগা য়েংলুবদা মহাক উ পান্বী অমদা থৌরি য়ান্দুনা শিদুনা লৈরম্বনি হায়রি।

লৈখিদ্রবা সুনিলকাফেলে দি এম কামসোং খুলদা লৈবা নুপী অমা হৌখিবা ওগষ্ট ১৪ দা চেল্লগা হৌজিক লুহোংনবা থৌরাং তৌরিবনি হায়রি।

অশিবা হকচাং অদু ঙসি জেনিমসকী মোর্গতা পুরক্লগা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট অমদি ভিদিও কভরেজ য়াওরগা পোষ্ট মোর্টেম তৌখ্রে হায়রি।

## কংলা শেম্পুং ভোল্যুম-৩ ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ (ঐচএনএস): পীপলস রেভোল্যুস্নরি পার্টি ওফ কংলৈপাক (প্রীপাক) কী ৪০ শুবা মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা লুপকী দিপার্টমেন্ট ওফ পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দানা চহী খুদিংগী ওইনা পুথোকপা কংলা শেম্পুং ভোল্যুম -৩ লুপ অসিগী এক্তিং চ্যেয়রমেন্না ফোঙখ্রে হায়না প্রীপাক্কী পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দাগী সেক্রেটরি ইন-চার্জ লৈবাকঙাকপা লুৱাংনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ভোল্যুম-৩ অসিদা আর্টিকল কয়া য়াওরি। পীপলস রেভোল্যুস্নরি পার্টি ওফ কংলৈপাক (প্রীপাক) কী মপোক কুমওনগা মরী লৈননা লুপ অসিগী এক্তিং চ্যেয়রমেন্না মীয়ামদা পীবা য়াইফ-পাউজেল, প্রীপাক্কী ৪০ শুবা কুমওনগা মরী লৈননা লুপকী এক্তিং চ্যেয়রমেন্না মীয়ামদা পীবা য়াইফ-পাউজেল (ইংলিস এদিসন), এদিটোরিয়েল, লৈকংলাদা ঈফুৎ থিবনি, কংলৈ মীয়াম্বু মুৎখিনবা হোৎনবনি, লোয় লৈঙাক্কী অপাম্বদা থৱায় য়াওশিনবা, নীংতম্বগী লাল কৈদৌঙৈদা মায়থিরোই, কংলৈপাক্কী ফিভমদা সী এস ওশিংগী থৌদাং, ইরাবত অমসুং কংলৈপাক্তা খুৎলায় পায়বগী ঈহৌ, সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিনা খুন্নাইদা পীরকপা অহোংবা হায়বনচিংবশিং অসিনি।

# নীং তম্লবতদা য়েলহৌ ফুরুপশিং কনবা ঙমগনি : প্রিপাক (প্রো)

ঙরাংগী মখা ... ময়াং মচাশিংগী খুন্নাইদগী কংলৈচাশিংনা কৈশু ফিদম্লিঙাই ওইবা য়াবা খুন্নাইগী চাওখৎ লোনচৎ তমনিঙাই লৈতে, তম্মুবদা হেন্না কংলৈ খুন্নাইদা শোকচিল্লক্লদবা ঙাক্তনি শোকচিল্লকপসু হৌরক্লে হায়না মরাল শীরি।

চেরোল অসিনা হায়, কংলৈচাশিংনা স্পোর্টস, থিয়েটর, কলচরেল ডান্স/আর্টস অতে হীরম কয়াদা ইন্দিয়াগী ওইনদি মপাল লমদগী মীংচৎ পুবীরক্লি, অদুবু ময়াং লূচিংবশিংনা ইম্ফালদা লাকপদা থাগৎশিন্নরম্বা নত্তনা কংলৈচাশিংগী মতিক-ময়াইশিংদু ইন্দিয়ন লূচিংবশিংনা মপান লমদা থাগৎপীদুনা খঙহনবীরুবদি লৈতে। ইন্দিয়াগী করম্বা নিংথৌনা লূচিংদুনা এঙ্গলো-সিখ ৱার (১৮৪৫-১৮৪৯) গী মনুংদা বৃটিশকী মায়োক্তা মখা তানা লান তৌখিবা লৈরিবগে, এঙ্গলো মণিপুরী ৱার (১৮৯১) না অরোইবা লান নৎত্রা? বৃটিশ পার্লিয়ামেন্ট য়ৌনা খন্নরগা মণিপুরদা লান্দানবা ৱারেপ লৌখিবা এঙ্গলো-মণিপুর (১৮৯১) অসিবু ইন্দিয়ন হিষ্টরিদা অচৌবা শরুক অমা ওইনা য়াওদ্রিবসি মরম লৈরমগনি, অতোপ্পা ইন্দিয়াগী লানশিংদুগী মতিক-মহাউ চল্লক্লনি খল্লমগনি। মণিপুরদি ইন্দিয়া ওইরক্তে হৌজিকসু ওইদ্রি তাকচরবনি। ইরৈচাশিংনা ইন্দিয়ন পাসপোর্ট পায়দুনা মপাল লমদা চৎপদা ইন্দিয়ননি থাজদে, নোকপু নোক্লরিবনি, হেন্না ঙক্লিবদি ইন্দিয়া মনুংদফাও ইন্দিয়ননি হায়বদা থাজদ্রিবা ফিভমনি। ঐখোয়সি কয়াম কুইনা ইন্দিয়ননি হায়খিসিগে হংলি।

ভৃন্দাবন, নবদ্বিপ, গঙ্গা তুরেল য়ৌনা চৎতুনা লাই খুরুম্বা ঙল্লরোই হায়বা ৱাখল থাদোক্লসি, ঐখোয়গী তুংলমচৎকী ৱাখল খন্থমিন্নরসি। নোংমা নোংমগী লোন্না থুপ্পা মীতোপ-ময়াংচা মশিং থিঙমদনা চঙশিল্লক্লিবসি হীরম খূদিংদা ঙাক্লৌ লৈজদ্রবা ইরৈচা ফুরুপশিংগী কাংখুল মাঙহন্নবনি। ফৃদ সিক্যুরিটি এক্টকী মীংদা অহোঙবা চেঙ-চাং কয়া ফংহল্লনি লৌবুক-লমহাংশিংদা লৌ উদ্রসু য়ারনি মতাগুম্না লৌফমশিংদা ইনফ্রাষ্ট্রকচর ওইনা শেমগৎনবগী থৌরাং তৌরক্লিবসি; চাকহোং ঙাহোংবা ইরমদমবু মীনাই-নাইথাংগী ফুরুপ ওইহন্নবনি, হেন্না কেপটিভ মার্কেট ওন্থোক্লবনি হায়নিংই। লৌবুককী ৱাহন্থোকসি হকচাংগী চাকখাউ পুক্লেনি মসিবু ময়াংচাশিংদা শিন্নথোকপা হায়বসি অফবা মীৎয়েং নত্তে।

তুংলমচৎকী ৱাখল খনবা, ফিরেপ চেৎপা থৌনা লিংজেল লৈনা লৈঙাকপা ঙম্বা লূচিংবা লৈত্রদি ইরমদমদা রেলৱে চঙলকপনা, ট্রান্স-এসিয়ন হাইৱে মপূং ফানা য়ৌরকপনা, লৈনুংগী থাউ কোৎপনা, ডিভেলপমেন্ট থৌশিল কয়ানা য়েলহৌমী ফুরুপশিংবুদি মীনাই-নাইথাংগী থাক্তা পুথরক্লনি হায়বসি ৱাখল তামিন্নসি। রেলৱে অমসুং ট্রান্স-এসিয়ন হাইৱে অনীসিদি ইন্দিয়াগী শেঞ্জাউ পায়বশিংগীদি হেন্না খুদোংচাবা ফংগদৌরিবনিনা থৱায় হেন্না য়াওরমগনি হায়রি।

অমরোমদনা, ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা ইন্দিয়াগী খুঙ্গংশিংদা নোংমদা কিলোমিটর ১৩৩ গী চাংদা লম্বী শেম্বা ঙম্মী হায়জরবসু জিরি লম্বীসিদি অনীশুবা লাঞ্জাউগী ফিভমদগী অহোংবা লৈতে। গাড়ী থৌবা হৌখ্রে তাবদা গাড়ী থৌরিবা অমসুং গাড়ী তোংলক্লিবশিংগী ইমুংগী মীশিংনা লম্বীদা করি থোক্লগদবা হায়না মীপাইনরিবনি, লম্বী অসি শেম্লবগী ৱাজাউ ঙাঙলমদবা ইন্দিয়াগী লূচিংবা লৈবু লৈরম্মরোই। হিংনবগী লম্বী ওইরিবা অসিফাওবা চহী ৭০ মুকসিদা শেল্লক্ত্রিবা লূচিংবশিংনা মৈ-ঈশিং ৱাৎহল্লোই, নহারোলশিং থবক পীগনি, শেমগৎ-শাগৎপগী শেনফম ৱাৎহল্লোই হায়বসিদি থাজবীগনু, ইন্দিয়াগী শেন-থুম মিতারুদ্রসু শেন-থুম লাক্লবা অতোপ্পা লম্বী ময়াম লৈরি হায়জনিংই হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, ইরমদম কংলৈপাক অসিদা হৌজিক্তি ময়াংচাশিংগী মতৌ তম্লক্তুনা হোস্পিটালদা ডোক্টরশিংবু কোইশেন-শেন্নদ্রদি, হায়জ-নোঞ্জদ্রদি অনাবদু ফজনা লায়েংবীগনি থাজনদ্রে। ডোক্টরশিংদা পেন্দবগী খোল্লাউনা পিক থল্লে মীনুংশিগা লোয়নবা অনাবশিংবু লায়েংবীয়ু হায়না মিনিষ্টরনফাও হায়রবনি। নুপীদা চথবা ক্রাইম হেনগৎলক্লিবা, ময়ায় কাবা চীঞ্জাক শীজিন্নবগী চাং খংহেন-হেনগৎলক্লিবা, থবক শুফম-নোম্ফম লৈরক্তবনা শেন-থুম তাঞ্জনবগী অৱাবা কয়া মায়োক্লরক্লিবা নাকল অমরোমদনা হিংনবগী পোৎলম মহৈ তম্নবগী শেলচঙ ৱাংলকপা, ইমুং মনুংগী মখল কয়াগী অৱা চৈথেং কয়া মায়োক্লরক্লিবশিংসি ইন্দিয়ানা কংলৈপাকপু নম্ফুদা লৌশিনখিবদগী ফংলক্লিবা মনানি হায়জনিংই।


### মায় পাক্লবা চঙাঙ্গৈ ZP, Pradhan, Ward No. 7/8/9 গী Member শিং ওকপগী থৌরম

লাক্লিবা তাং ১৫/১০/২০১৭ ইং, মেরাগী ২৬ নি পানবা নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা, ওক্টোবর তাং ৭, ২০১৭ ইংদা পাঙথোকখিবা পঞ্চায়ট ইলেক্সন অসিদা মীয়াম্না থাগৎপীরক্লবা, মায় পাক্লবা ঈকায় খুম্নজরবা/বী চঙাঙ্গৈ গ্রাম পঞ্চায়ট অসিগী ZP/Pradhan Ward No. 7/8/9 গী Member শিংবু ওকপগী থৌরম অমদি লাক্কদৌরিবা চহী ৫ অসিদা লৈকায় অসিগী চাউখৎ-থৌরাংগা মরী লৈনবা মীফম অমা লৈকায় অনী অসিগী হরাউবা কম্মিটি, ক্লব অমদি লৈকায় মীয়ামগা লোয়ননা লৈকায় অসিগী ইপা লোয়ালাকপা ইমা নুংথেললৈমা অনীগী লাইবুঙদা পাঙথোকচগদৌরি।

থৌরম অসিদা লৈকায় অসিগী অহল-লমনশিং, মরূপ-মপাংশিং, ইমা-ইবেলশিং, জোব কার্দকী নম্বর ফংবীদুনা থবক শূবীরিবা খূদিংমক্লা শরুক য়াবীবগা লোয়ননা অদোম-অদোমগী জোব কার্দশিং ইশা-ইশানা লৌবীদুনা ইশাগী ফংফম থোকপা খুৎশুমনশিং অদু ইশা-ইশাগী বেঙ্ক একাউন্টতগী লৌবীদুনা, লৈঙাক্লা থাদবীরক্লিবা অদোম অদোমগী খুৎশুমন অমদি চাউখৎ-থৌরাংগী থবক থৌরম খূদিংমক য়াম্না কুপ্পা খন্ন-নৈনমিন্নদুনা লাক্লিবা চহী ৫ অসিদা নিংথিরবা খুঙ্গং অমা ওন্থোকমিন্নহৌনবা পুম্নমক্লা শরুক য়াবীরনবা হায়জরি।

**N.B. :** তাওবুংখোক মখা লৈকায়গী অহল-লমন, ইমা-ইবেল, মরূপ-মপাং খ্বাই খিবিক্কী মফমদা কম্মিটিগী মায়কৈদগী খঙহঞ্জরি মদুদি লৈকায় অসিদা Water Supply দগী থাজরক্লিবা ঈশিং অসিগী মতাংদা দাইত্ব পুবা ঙমগদবা মীওইশিং থোকপীরক্লবা খঙহঞ্জরি, মরমদি কম্মিটি অসিনা তাওবুংখোক অৱাং-ময়ায় লৈকায় অনী অসিগী চাউখৎ-থৌরাংগী থবক থৌরমশিং লৈবনা চঙশিনবা ঙমজরোইদৌরে। মরম অসিনা হায়রিবা থৌরম অসিদা তাওবুংখোক মখা লৈকায়গী মীওইশিংসু শরুক য়াবীয়ু।

হায়জরিবা : **Ng. Nilakanta, President**
Ipa Loyalakpa Ima Nungthelleima
Haraoba Committee, Taobungkhok Awang Mayai Leikai, I/W, Manipur.
HL-P/4602/10



### PASSPORT LOST

I have lost my Passport of Republic of India bearing Passport No. J9545883 issued by Deputy Passport Officer, Regional Passport Office, Guwahati on the way from Bamon Leikai to Thoubal on 06/10/2017. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

*Sd/-* **Hanjabam Ongbi Ranita Devi**
Imphal West, Manipur, ☎ 8729823657, 9089712169
HL-P/2879/10



### OFFICE OF THE HT FINANCE

Regd. No. 196/M/BML-2017
Head Office - Patsoi Unik Khong Bazar
Opp. Patsoi Police Station

**VACANCY**

| SL. | POST | QUALIFICATION | VACANCY | AGE | SALARY STARTING |
|---|---|---|---|---|---|
| 1, | R.O. (Male) | XII | 05 | 18-30 | 6960 |
| 2. | Accountant (Female) | B.Com (with Tally) | 02 | 21-30 | 7460 |
| 3. | Office Assistant (Male) | XII (Computer Knowledge) | 01 | 18-30 | 5000 |

Last Date of Form Submission : **14/10/2017**
Office Hours : **09:00 a.m. to 04:00 p.m.**

***FORM AVAILABLE AT OFFICE***

**CONTACT :**
**8258948385, 9612610244, 9612584123**

**Sd/- Director, Human Resource**
**The HT Finance**
HL-P/2878/10,11&12



### EMPLOYMENT NEWS

মণিপুর মনুংগী ওইগদবা অখন্নবা পোষ্ট ৮১ গীদমক কেন্দিদেট (নুপা-৪০, নুপী-৪১) লৌগদৌরি। Class X, XII অমদি Graduation পাস তৌরবা থবক ফংদ্রিবা অমদি থিরিবা মীওইশিংনা থবক অসিবু Apply তৌবীবা য়াগনি।

| | | |
|---|---|---|
| Age | : | Below 30 yrs. |
| Earning | : | 10,000/- to 35,000/- (PM) |
| Facility | : | Fooding+Lodging Available |
| Visiting Hour | : | 12:00 a.m. to 3:00 p.m. |

Deposit লৈজরোই, Limited Post নি। Apply তৌবীনিংবশিংনা ইশাগী Bio-Data পায়বীরক্লগা অথুবা মতমদা ওফিসতা লাক্তুনা তানবীয়ু।

**Contact : 8014170652
8414834122**
HL-P/2195/10,12&17



### দশা য়েংথোকপীয়ু

মীরমদা মহৈ তম্বা চৎত্রিঙৈ দশা য়েংথোকপীয়ু। লাইরিক পানিংদবা, হায়ন-তানবা য়াদবা, নিশাদা লাইচূবা, শূনিংদবা, অৱাংবা এগজাম থাগদবা, থবক্কী ইন্টরভিয়ু, ভোট, করবার, লন তূঙদবা, য়ুম্বান, অঙাং য়াওদবা, য়ুম-দুকান পোৎ শিৎতবা, অরুবা হকচাংগী ফত্তবা কূপ্পা তানবীয়ু।

*মীয়ামগী ঃ*
**JM Dr. Ph. Rajendra**
Nongmeibung,
Academy Road, Imphal.
HL-P/2964/28 to 26 Oct.(alt.)



### নুঙশং (পাইলস) ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি



নুঙশং পেরে, নুঙশং ককলাই, পোম্বা তঙবা, মপানদা চেকখাইবা, হাক্কৎচবা, ঈ তাবা, নাই চারগা পোম্বা, মখুল হুৎলকপা (ফেষ্টুলা) মনুংদা পোম্বা অমদি (হেমোরোয়র্দ) মনুংদা চাথৎপা লায়না হেঞ্জিল্লক্লবা হায়বদি খুৎনা-ইনশিনবা চঙদ্রবা পদ্রাক পদ্রাক তারবা অমদি খোঙ হান্বা য়াদবা, ওপরেসন তৌরুবগা হৌরকপা, হায়রিবা লাইওংশিং অসি য়াম্না লায়না ফহনবা ঙমজরে। ঙসিমক লাকপিদুনা অদোমগী নুংঙাইতবা অদু অথুবা মতমদা য়েংথোকপিয়ু।

*লায়েংজরিবা ঃ* ***Naorem Ibomcha Meitei***
Heingang Awang Leikai, Saya club,
☎ 8014023792
HL-P/2962/28to12 Oct.



### মীতৈ লায়েং

য়া শৎতনা লায়েংবা, য়াগী কেন্সর মায় পাক্লা লায়েংজরি। এন ইবোহল মীতৈ
চীংমৈরোং মনীং লৈকায় লম্বী চংফম মচিন, নিয়র এসেমব্লী কমপ্লেক্স



১। হৌজিক্কী মতম অসিদা মীয়াম্না মীপাইনরিবা বি.পি. হায়বসি ইমালোন্দা লাইয়ৈ য়ৈবা হায়বনি। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুনা অসুম চৎলম্বদগী বোম তুদুনা শিরে, তুমখিবদগী হৌগৎলক্তরে হায়বদি ঐগী লোলদা লাইয়ৈ য়ৈদুনা শিরে হায়বনি। হৌজিক্কী মতমগী লোন্দদি বি.পি. পোকখায়দুনা শিরে হায়না খঙনৈ। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুশিংনা থন্বীরম্বা হীদাকশিংনা লায়েংদুনা কনবা ঙল্লে। অকুপ্পা মরোল মীতৈ লায়েংদা নৈনবীয়ু, তান্নবীয়ু।
২। হার্টকী লায়না হায়বদি শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা, শদৌ থোংবা, হকচাং চোকথবা, তুম্বা য়াদবা, অকি অখঙ পোকপা অসিনচিংবা লাইওং কয়া অসি হার্টকী ওইবা প্রোব্লেমনি। অদুবু ৱাবীরুনু মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা ফহনবা ঙল্লে।
৩। হৌজিক্কী মতম খুৎলায়গী পাঙ্গলনা চাংয়েং তৌবদা অনাবগী লাইওং পুথোকপা ঙমদবা লায়না লাইওং কয়া মীতৈ লায়েংনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। নুংশীৎকী লায়না (Gastric)।
৪। Make-up (Parlour) তৌবদা চান্নদবদগী মায়দা allergy তৌবা অসি মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা কোকহনবা ঙমজরে।
৫। মীওইবগী পুন্সিদা য়া হায়বা শায়রগা চান্নরীবা অসিবু পুন্সিগী লেঙদ্রবা পামেল অমা ওইহনবীয়ু। অদোমগী হকচাঙ ফহনবীয়ু। য়ানা মীওইবগী থৱায়নি। য়া নাবা অমসুং য়াদা মুবা তিল চাবা হোবা, য়ারীদা পোম্বা, নাই চাবা, ঈ থোকপা অসিনচিংবা কয়া শত্তনা অমদি তুংদসু অমুক হৌহন্দনা মায় পাক্লা লায়েংজরি।
৬। মথক্তা পঞ্জখিবা লায়নাশিং অসিগী মথক্তা মখাদা পঞ্জরিবা লায়নাশিং অসিসু ঐখোয়না চাংয়েং কয়া তৌজদুনা নীঙথিনা লায়েংজদুনা মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে। লায়নাশিং অদুদি :- নুংশং নাবা, লাই ওক্লবা, ঈশিং পুকচৎপা, নুপীগী থাগী খোঙকাপ শোইবা, ফীঙৌ চৎপা, ঈ-নুংশিৎ, লিবর, চাকখাউ নাবা, এজমা হারা, হুইনা চিকপা, লিন্না চিকপা, সাইনস, তোন্সিন অমদি কংখুনচিংবা লায়না কয়া, লালচাক-ফম্বী শোনবা, খোঙয়া শাবা, হকচাংদা ঈপুম নাইপুম লৈবা (without surgery) ফহনবা ঙম্বা হীদাক, খ্বাঙ নাবা, মটু লৈবা, অপোম্বা খুদিংমক, নুংশিৎ চংবা (হিংচাবী চংবা), মীৎ-নাপু কাবা, খোঞ্জেল শীথবা (voice down), ঈ-য়াই হকচাং নোয়বা ফনবা অমদি মশা পাবা নোয়নবা, নাহি তাবা অমদি ঊনশাগী লায়না কয়া মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে।


**অকুপ্পা মরোল খঙবীনিংবশিংনা মীতৈ লায়েং ইবোহল, সনাতোম্বা, গোপাল অমসুং মোধুবলাদা তান্নবীয়ু।**

**Regd. No. 4277 of 82 April**
Phone No. **9615533737, 9856271907**
**DR. N. IBOHAL MEITEI, State & National Awardee**
HL-B/4151/30/09-29/10



### JOB OPPORTUNITIES

**MERCHANT NAVY JOB RECRUITMENT 2017-18**



10TH / ITI /DIPLOMA OR GRADUATES PASS CANDIDATE MAY APPLY.
Age :- 17 to 33 Years ( Un-Married Candidate can Apply)

VACANCY
1. G.P RATING
2. DECK CADET
3. MARINE ENGINEERING
4. OCCP COURSE
5. PORT MANAGEMENT
6. SHIP HOSTESS ( Female only)

*** Monthly Salary :- Rs-60,000 to 3 Lac with Best Facility ***

| Sl Vacancies | Dep | Quali | Salary in Rs- | Location |
|---|---|---|---|---|
| 1. Deputy Maanager | (Banking) | Graduation | 34,000-62,000 | Imphal |
| 2. Part Time Sub Staff | (--do--) | 10th & + | 14,000 -28,500 | -do- |
| 3. Loader & Trolly Boys( Airlines) | | VIII & Above | 13,000-34,000 | North East |
| 4. Ground Staff, Ticketing | (--do--) | X & XII + | 30,000-Starting | -do- |
| 5. CABIN & GROUND DUTY | (--do--) | XII-above | 35,000- 62,000 | -do- |
| 6. Office Assistant | (Medical) | X or Equi | 12300 -34,000 | -do- |
| 7 . General Worker | ( Dubai) | X - Graduate | 86,000- 1.4 Lac | Dubai |
| 8 . Driver (Heavy) | (-do) | -do- | 68,000- 85,000 | --do-- |
| 9 . Office Reception / Field Staff | | --do-- | 7000-12,300 | Imphal |
| 10. Computer Operator / D.S.T Staff | | -do- | -do- | -do- |
| 11. Asst-Manager / Area Manager | | XII-Above | 8500-17,400 | -do- |
| 12. PROGRAM OFFICER / C.E.O | | Graduation | 14,000- 23,000 | -do- |
| 13. Field Staff / Field Executive | | X-XII | --Do-- | -do- |
| 14 Tele-Caller Staff for Female | | XII | 12,000-16200 | -do- |

15. PART TIME JOB AT HOME (PROVIDED MOBILE PHONE & LAPTOP) JOIN NOW
i) Daily SMS Sending Job ii) Sunday SMS Job
iii) Field Staff iv) Data- Entry Job
Monthly Salary :- Rs-6000 to 16200. Qua - VIII & Above

VACANCY

FOR DETAIL CONTACT US AT-
LEIMA JOB GUIDELINE SERVICE, KWAKEITHEL BAZAR, IMPHAL
HELPLINE NO- 8974975286 OFFICE HOUR- 10:00AM TO 03:00 PM.
HL-B/4152/10 to 28 Nov. (alt.)



### Register তৌজরগনি

Savate Association of Manipur (SAM) হায়না মিংথোনবা এসোসিএসন অমা রেজিষ্টার তৌজরগনি। মসিদা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচেদা ফোঙদোকপা নুমিৎ অসিদগী পারগা নুমিৎ মঙানি ফাওবগী মনুংদা য়েৎপীবা য়াগনি। মসিগী মতুং তারকপা ৱাকৎ অমত্তা লৌজরোই।

Sd/-
**Moirangthem Ongbi Bina Leima**
**Publicity Secretary, SAM**
☎ : 9402673475, 9862862519
HL-P/2881/10



# CAMBRIDGE ENGLISH

**At Keishamthong Elangbam Leikai Leirak Macha, Imphal West.**

**New Courses starts on 11/10/2017**

## English Foundation: Class-X (BOSEM)

**3rd Batch: Morning :05:40 am-06:40am. Evening:06:15 pm - 07:15 pm.**
**Outstanding features:** Thorough discussion- Question analysis- Weekly Test under BOSEM question patterns-Suggested Questions & Answers-etc.

## Grammar Foundation: Classes X,XI,XII

**What to be Taught:** Word Classes-Kinds of Phrases- Determiner-Model Auxialiary-Voice-Tense-Narration-Clauses-Transformation of Sentences, etc.**- 1). 04:30 am.- 05:30 am. 2). 04:00 pm-05:00 pm**

## Language Skills: Grammar & Spoken - 04/10/2017

**Group 1:Student-**Secondary,College,University,etc. **(06:50 am-08:10 am)**
**Group 2:Senior-**Professionals and Others 30 yrs. above. **(05:10 pm-06:10 pm)**

## Special English : Competitive Exams.

**Starts on: 04/10/2017 Afternoon: 01:30 pm - 03:00 pm.**
**For Address Contact-** ***9774463856 & 9402280502 ( H.Chinglen)***
**Forms available now for Revison Course- Class-X English (BOSEM):05/12/2017**

***N.B: Home Tutor available for Grammar & Spoken English***
HL-P/2950/24-24Oct.



# ADVANCED COACHING INSTITUTE

**Nagamapal Lamabam Leikai near RIMS Road,opposit koirengei auto parking** Regd. No. : 729

*The Largest,Trusted & Premier Coaching Institute,Imphal in both Sc. &Arts*

**REVISION COURSE FOR CLASS X,XII FROM 2nd Oct & 5th Oct.**

Last Foundation course for class ix to xii








2nd Position(Sc. 2017)
**R.K. Babysana**


3rd Position(Sc.2017)
**VICTORIA**

Only 30 seats each section separated CBSE &COHSEM batches


2nd Position (Arts)
**Guneshori**


3rd Position(Arts )
**Dholenchandra**


8th Position(Arts )
**Pebam**

*Separated boys and girls hostels, van service,morning and evening batches .For more details contact 9862992105*
HL-B/4132/21-20 Oct.